ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# নেদরলেন্দস অমদি সিনেগল গ্রুপ এদগী লাষ্ট ১৬ ক্বালিফাই ওইখ্রে

## পোর্টুগলনা উরুগুৱেবু ২-০দা থোইদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

কটার,নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
কটার ফিফা ৱর্ল্ড কপকী গ্রুপ এগী লীগ মেটচশিং ঙসি নুমিদাং লোইশিনখিবগা লোয়ননা নেদরলেন্দসঅমদিসিনেগলনাগ্রুপকীঅহানবা অমদি অনীশুবা তাদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।



নেদরলেন্দসনা পূন্না মেটচ ৩ শান্নবদা মেটচ ২ মায় পাক্লগা ১ দ্রো ওইদুনা পোইন্ট ৭ ফংলগা অহানবা অদুগা সিনেগলনা মেটচ ৩ শান্নবদা ২ মায় পাক্লগা ১ মায়থীদুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা অনীশুবা মফমদা লৈদুনা লাষ্ট ১৬ ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

গ্রুপ অসিদা ইক্বেদোরনা মেটচ ৩ শান্নবদা পোইন্ট ৪ অদুগা য়ুম্ন্থ টিম ওইরিবা কটারনা মেটচ ৩দা পোইন্ট অমত্তা ফংদনা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা তাদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

খালিফা ইন্টরনেসনল ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুমিদাং শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা সিনেগলনা ইক্বেদোরবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইস্মেলা সারনা অহানবা হাফ লোইরমদাইশান্নবগী ৪৪ শুবামিনটতা পেনাল্টিঅমগীমতেংদগীসিনেগলগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। কেপ্টেন কালিদৌ কোউলিবালিনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭০ শুবা মিনটতা সিনেগলগী মায় পাকপগী মরুওইবা গোল চনখিবগা লোয়ননা লাষ্ট ১৬ চঙবা ঙমহনখিবনি।

ইক্বেদোরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মোইসেস কাইসিদোনা শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। ইক্বেদোরগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা হোৎনখি অদুবু গোল ওস্থোকপা ঙমদনা অরেম্বা তাখি।

সিনেগলনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অসি হন্দক্কী অসিগা অনীরকশুবনি। ২০০২ কোরিয়া-জপান ৱর্ল্ড কপতা সিনেগলনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা ৭শুবা পোজিসনদা লৈহৌখিবনি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা পুংফমদা ঙসি অল বেইট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা নেদরলেন্দসনা য়ুম্ন্থ কটারবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

নেদরলেন্দসনা শান্নবা হৌরকপদগী য়ুম্ন্থ টিমবু খুদুম চন্না শান্নখি। কোদি গেকপোনা শান্নবগী ২৬ শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী অহানবা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা ১-০দা কটারবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

ফ্রেঙ্কি দি জোংনা অনীশুবা হাফ হৌরকপগী শান্নবগী ৪৯ শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তানা টিম অনীগী মায়কৈদা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী নেদরলেন্দসনা য়ুম্ন্থ টিম কটারবু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপকী মকোক্তা লৈদুনা লাষ্ট ১৬ ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, নিংথৌকাবা নুমিৎকী নোংয়াই মতুংদা লুসেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ ঐচকী মেটচ অমদা পোর্টুগলনা উরুগুৱেবু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

পোর্টুগলনা মেটচ অনী শান্নবদা পোইন্ট ৬ ফংদুনা গ্রুপ ঐচকী মকোক্তা লৈদুনা লাষ্ট ১৬ ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি। গ্রুপ অসিদা ঘানানা পোইন্ট ৩ ফংদুনা অনীশুবা অদুগা সাউথ কোরিয়া অমদি উরুগুৱেনা পোইন্ট অমমম্ ফংদুনা অহুমশুবা অমদি মরিশুবদা লৈরি।

পোর্টুগল অমদি উরুগুৱে অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা হাফতা পোর্টুগলগী ব্রুনো ফর্নান্দেজনা শান্নবগী ৫৪ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী পোর্টুগলগী মায় পাকপগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

**GROUP-A**

| Country | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pt | Rk |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Netherlands | 3 | 2 | 1 | 0 | 5 | 1 | 4 | 7 | 1 |
| Senegal | 3 | 2 | 0 | 1 | 5 | 4 | 1 | 6 | 2 |
| Ecuador | 3 | 1 | 1 | 1 | 4 | 3 | 1 | 4 | 3 |
| Qatar | 3 | 0 | 0 | 3 | 1 | 7 | -6 | 0 | 4 |

**GROUP-H**

| Country | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pt | Rk |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Portugal | 2 | 2 | 0 | 0 | 5 | 2 | 3 | 6 | 1 |
| Ghana | 2 | 1 | 0 | 1 | 5 | 5 | 0 | 3 | 2 |
| South Korea | 2 | 0 | 1 | 2 | 2 | 3 | -1 | 1 | 3 |
| Uruguay | 2 | 0 | 1 | 1 | 0 | 2 | -2 | 1 | 4 |

**TODAY'S MATCHES**

GRP-D - Australia vs Denmark (8:30 PM)
GRP-D - Tunisia vs France (8:30 PM)
GRP-C - Poland vs Argentina (12:30 AM)
GRP-C - Saudi Arabia vs Mexico (12:30 AM)

১৪শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনল লোইশিনখ্রে

# য়ুনাইটেদ কিংদমনা অহানবা ওইনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):
মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরকপা ১৪শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনল ঙসি ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা গভর্ণর লা গনেসননা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা লোইশিনখিবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ কিংদমনা অহানবা ওইনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে। অদুগা ইন্দিয়া-বি (মণিপুর)না রন্নর্স অপ তাহৌরে।



টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ২২দগী হৌদুনা পূন্না টিম ৫-য়ুএসএ, ইন্দিয়ন নেভি, আই পি এ (ইন্দিয়া-এ), মণিপুর (ইন্দিয়া-বি) অমদি য়ু কেনা শরুক য়ারকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা 'নাইনটি প্লস' না বেষ্ট পোনিগী মনা ফংবা ঙমখি। শগোলমপূদা ডা. টিঐচচা মঙ্গিলালনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা অপোকপা টি ঐচ রাজমোহোনগী মিংদা কথোকপা লুপা লিশিং ২০গী শেনফম খূৎশিন্নখি।

মপাল কাংজেবুংদা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা য়ুনাইটেদ কিংদমনা ইন্দিয়া-বি (মণিপুর)বু ১০-৮দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

অহানবা চক্কর হৌরকপগা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়ননা পি ওজিৎনা শান্নবা হৌরকপগী ০.৫৪দা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা কেপ্টেন টি প্রদিপকুমারনা শান্নবগী ১.০৭তা মণিপুরগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৩.৪০দা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। চক্কর লোইরমদাই এল অতাঙবনা শান্নবগী ৭.০০দা গোল অমগা হাপচিন্দুনা য়ু কেবু ৪-৩দা অহানবা চক্কর লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

ফিল্ড সেলরনা শান্নবগী ৫.০৩দা য়ু কেগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৫.৩১ অমদি ৬.০৮দা গোল ২ অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

অনীশুবা চক্করদা য়ু কেনা মণিপুরবু খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়ননা গোল ৫ হাপচিন্দুনা ৮-৪দা মণিপুরবু মাংজিল থাখি। হেরি টক্করনা চক্কর হৌরকপগী ০.১৫দা য়ু কেগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ২.৪৩ অমদি ৬.৫৫দা গোল ২ অমগা হাপচিনবা ঙমখি। ফিল্ড সেলরনা শান্নবগী ১.২৮দা মহাক্কী মরিশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা চক্কর লোইরমদাই শান্নবগী ৭.০৯দা মহাক্কী মঙাশুবা অমদি মায় পাকপগী ৮শুবা গোল চনবা ঙমখি।

অহুমশুবা চক্করগী শান্নবদা টিম অনীগী মায়কৈদা গোল অমমম্ চনবা ঙম্নখি। ফিল্ড সেলরনা শান্নবগী ২.১৯দা য়ু কেগী ৯শুবা গোল চনবা ঙমখি অদুগা এল অতাঙবনা শান্নবগী ৩.০৩দা মণিপুরগী ৫শুবা গোল চনবা ঙমখি।

অরোইবা চক্করগী শান্নবদা মণিপুরগী নুপামচাশিংনা খূদুম চন্না শান্নখি অদুবু গোল ৩দগী হেন্না হাপচিনবা ঙমদবদগী য়ু কেগী মখূৎতা ৮-১০দা মায়থীদুনা রন্নর্স অপ তাহৌখিবনি।

এল অতাঙবনা চক্কর হৌরকপগী ০.১৮দা মণিপুরগী ৬শুবা গোল চনবা ঙমখি অদুগা পি ওজিৎনা শান্নবগী ০.৫২ অমদি ৬.২২দা মণিপুরগী ৭শুবা অমদি ৮শুবা গোল চনবা ঙমখি। ফিল্ড সেলরনা শান্নবগী ২.০৮শুবা মিনটতা য়ু কেগী মায় পাকপগী ১০শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা য়ু এস এগী জোর্জ ভাস্কিজ অমদি জে পি ভাস্কিজ অনীনা মাউন্টেদ অম্পায়র, এল বেদমণিনা টাইম কিপর অমদি কে ধিরেননা স্কোরর ওইনা শরুক য়াখি।

লোইশিল্লকপদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা গভর্ণর লা গানেসননা ৱিন্নর ওইখিবা য়ুনাইটেদ কিংদমদা ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লাখ ২গী শেলগী মনা খূৎশিন্নখি অদুগা রন্নর্স অপ তাহৌখিবা ইন্দিয়া-বি মণিপুরদা থৌরমমপু মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লাখ ১.৫০ খূৎশিন্নখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ বসন্তকুমার, মণিপুরগী নিংথৌ সনাজাওবা লৈশেম্বা, মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট থোকচোম রাধেশ্যাম অমদি ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া এন ঈ সর্কলগী চীফ জেনরেল মেনেজর অর্বিন্দ কুমার সিংহনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## বেল্ট রেষ্টলিংগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,নবেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):
মহারাষ্ট্রগী অহমেদনগরদা লৈবা সিলভর ওক ফঙ্কসন হোলদা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৯দগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১০শুবা নেসনল বেল্ট রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা ওল মণিপুর ট্রেদিসনেল বেল্ট রেষ্টলিং এসোসিএসননা শীন্দুনা দিসেম্বর ৪দা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি।

ট্রায়ল সেলেক্সন অসিবু শরুক য়ানবা ওল মণিপুর ট্রেদিসনেল বেল্ট রেষ্টলিং এসোসিএসনদা এফিলিএট তৌবা দিষ্ট্রিক্ট বেল্ট রেষ্টলিং এসোসিএসনশিংগী শান্নরোয়শিংনা মতম চানা লাক্নবা এসোসিএসনগী সেক্রেটরি সী ঐচ ইবোহলনা খঙহল্লক্লি।

অনীশুবা অম্ফা কপ

## এল ৱাই সী সী অমদি কে এস সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,নবেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা অনীশুবা অম্ফা কপকী ঙসি বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা লিৱা চাংনিং য়ূঠ কলচরেল ক্লব (এল ৱাই সী সী)না ক্বাসিফাই য়ূঠ ভলন্টিয়র ওর্গনাইজেসন (কেৱাইভিও)বু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

এল ৱাই সী সীগী তেলভুম থাংটিনলেন হাওকিপনা শান্নবা হৌরকপগী ৯শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। দিলবুং রেংহোং লমকাংনা অহানবা হাফ লোইরমদাই শান্নবগী ৪৪ শুবা মিনটতা এল ৱাই সী সীগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭৪ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি। কেৱাইভিওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা তাওরেম কেলভিননা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৯০ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কুকি স্পোর্টিং ক্লব (কেএসসী)না য়ুনাইটেদ স্পোর্টস এসোসিএসন য়ু এস এবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

কে এস সীগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু ঐচ রোবিনসন খোংশাইনা শান্নবগী ১৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা কে এস সীগী গোলকিপর থাংটিনলেন হাওকিপ অমদি সেগৌহাও খোংশাই অদুগা য়ু এস এগী অতোম মখোন অমদি গোলকিপর ফালগুনি সনসমবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

২৬শুবা বিরচন্দ্র-মাইপাকপী ৱিন্নর্স কপ

## ১১ ষ্টার এস য়ু ক্বার্টর চঙখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):
অম্ফানা শীন্দুনা চথরিবা ২৬শুবা থাংজম বিরচন্দ্র-মাইপাকপী মেমোরিএল ৱিন্নর্স কপকী ঙসি লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ইম্ফাল ইষ্টনা হোম টিম ওইরিবা চার্লাও এফ সী উখুলবু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

কেপ্টেন নামৈরাকপম শান্তনু মৈতৈনা শান্নবা হৌরকপগী ৭শুবা মিনটতা ১১ ষ্টারগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অরুন কে এনা শান্নবগী ৩৮ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ১-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফতা গোলমৈ অপু কবুইনা শান্নবগী ৮০ শুবা মিনটতা ১১ ষ্টারগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। খুমন্থেম তাইবংঙানবনা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৯০ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি থোঙাম রোবিননা চার্লাও এফ সীগী মজাংতা কামকারা অদুগা ১১ ষ্টারগী দিপসন কামৈ অমদি কৈশাম সদানন্দবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, টিম অনীনা থা অসিগী ২৬তা ১১ ষ্টারগী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা অকাম্পাৎ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ১১ ষ্টার এস য়ুনা চার্লাও এফ সীবু ২-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

## ষ্টেট নেটবোল টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):
হরয়ানানা য়ুম্ন্থ ওইদুনা দিসেম্বর ১৫দগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৮শুবা সব-জুনিয়র নেসনল নেটবোল চেম্পিয়নশিপ (বোইজ এন্দ গর্লস) তা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা নুপা অমদি নুপী টিম মণিপুর নেটবোল এসোসিএসননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

খনগৎলবা নুপা শান্নরোয়শিং অদুদি সী এস সীগী সাপম সুন্দর, জষ্টিন সাপম, সগোলশেম মহেশ মৈতৈ, সন্তোশ এম, রাজ লাইশ্রম, ঙাংবম রাজ, এলাংবম ধরজিৎ, হিজম নেলসন, নেপ্রম অমর, পুয়াম পারি, কে ঐচ এস সীগী বি প্রিন্স অমদি বি দোনরনি। রিজর্ভতা সী এস সীগী ঐচ হেরোজিৎ অমদি ঐচ কোরৌনি।

নুপী শান্নরোয়শিং অদুনা এম এন সীগী হিজম মুক্তি, কে ঐচ এস সীগী ব্রহ্মচারিময়ুম হরিকা, সী এস সীগী মোইরাংথেম নাওবী, পুখ্রম্বম সোনালি, মোইরাংথেম নেনচি, হংলেম জেম্মী, মোইরাংথেম থাজ, অথোকপম সোনিয়া, সোইবম পায়ল, টি ঐচ লনচেনবী অমদি হিজম রিনানি অদুগা রিজর্ভ ওইনা সী এস সীগী এস অবেনাও অমদি পি ঐচ জেলিনি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিংনা মখা তাবা ট্রেনিংগীদমক থা অসিগী ৩০গী অয়ুক পুং ১১দা কে এল এল এস সী প্রেক্টিস গ্রাউন্দদা লাক্কুনা ঈ বারুন, এম দি সাফট অহমদ, এস ঐচ দাইনা অমদি এ ধনপিয়ারিদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

## মণিপুর জুদো এসোসিএসননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল,নবেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):
মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী টেক্নিকেল চ্যেরমেন ওইরম্বী খোইস্নাম সাবিত্রি চনুনা মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবদা মণিপুর জুদো এসোসিএসননা অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

খুমন লম্পাক ইন্দোর হোলদা লৈবা মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী ওফিসতা ভাইস প্রসিদেন্ট সনসম চাওবনা চ্যের লৌদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা কন্দোলেন্স মীফম অদুদা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা মপূগী মফমদা থৌনীজখি।

মহাক্না হিংলিঙৈদা জুদো মশান্নগীদমক কথোক্লম্বশিংবু নীংশিংখি।

## এম য়ু বেদমিন্টন টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):
ছটিশগরগী এ পি এস রেৱা য়ুনিভর্সিটি অমদি ও পি জে য়ুদা দিসেম্বর ২৭তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি বেদমিন্টন (মেন্স এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি রিপ্রজেন্ট তৌগদবা নুপা অমদি নুপীগী বেদমিন্টন শান্নরোয়শিং ঙসি দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিনা লাউথোকখ্রে।

খনগৎলবা নুপা শান্নরোয়শিং অদুদি মাঙ্গোলঙানবী কোলেজগী ঐচ রোহেনকুমার, পোল ষ্টার কোলেজগী কে ঙানবা, এন জি কোলেজগী এন নন্দরাজ, ষ্টেন্দর্দ কোলেজগী টি হেমজিৎ মৈতৈ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী আর কে তেলেনসনা অমদি জি রাজেশনি। অদুগা রিজর্ভ ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী থাংলাল জেমবু খনখি।

নুপী শান্নরোয়শিং অদুনা বিরমঙ্গোল কোলেজগী ঐচ ভিলিন্দা অমদি এল শিতল, মঙ্গোলঙানবী কোলেজগী এল দাইনা, এস এস জি জি জি সীগী এম প্রিয়া অদুগা রিজর্ভ ওইনা এস কে দল্লিয়ু সীগী এস প্রেমিলানি।

খনগৎলবা নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিংনা মখা তাবা কোচিংগী-দমক দিসেম্বর ৫গী অয়ুক পুং ১১দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডা. সী ঐচ প্রদিপতা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

এম য়ুগী নুপা অমদি নুপীগী বেদমিন্টন টিম অসি ছটিশগরগীদমক দিসেম্বর ২৩দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

## পেরামোটোর ফ্লায়িং ইভেন্ট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):
মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইনা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ মাউন্টেনিয়রিং এন্দ এদভেঞ্চর স্পোর্টস (এন আই এম এ এস) অমদি মণিপুর মাউন্টেনিয়রিং এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিএসন (এম এম টি এ) অনীনা খূৎশম্নদুনা শিনবা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথগদবা পেরামোটোর ফ্লায়িং ইভেন্ট ঙসি অয়ূক য়ূঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা লুৱাংশংবম ক্রিকেট ষ্টেদিয়মগী মায়োক্লবদা লৈবা নোর্থ ইম্ফাল স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর এভেঞ্চর স্পোর্টশিং হেন্না চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈরিবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ মাউন্টেনিয়রিং এন্দ এদভেঞ্চর স্পোর্টসকা লোয়ননা অথুবা মতমগী মনুংদা ষ্টেট লৈঙাক্না এম ও য়ু অমা খূৎয়েক পীনরগনি হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা লৈঙাক্না তৌনগদৌরিবা এম ও য়ু অসি মতম চানা পাঙথোকপা ঙম্নবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী মখাদা থবক পায়খৎপা হৌরে। হৌজিক্কী ওইনা মনুংদা চয়েৎনবা খরা লৈরিবা অসি অথুবদা ৱারোইশিন পুরক্কুনা খূৎয়েক পীনরগনি।

ষ্টেট অসিগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা ফেষ্টিভেলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সঙাই ফেষ্টিভেল অসি মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্লিবা অসি মীয়ামগী মতেংদগীনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।


হৌদোকপগী থৌরম অদুদা য়ূঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈ, সঙাই ফেষ্টিভেলগী ব্রান্দ এম্বাসেদর লাইশ্রম সোমাসু শরুক য়াখি।

## ইন্টর ক্লব ফুটসাল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,নবেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা কোলোনেল কে এস ঐচ অরুনকুমার মেমোরিএল অনীশুবা ইন্টর ক্লব ফুটসাল টুর্নামেন্ট ২০২২ দিসেম্বর ১০দগী হৌদুনা পাঙথোক্লগনি হায়না অম্ফাগী সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না দিসেম্বর ২ ফাওবা ওইগনি। অদুগা মেনেজরশিংগী মীটিংনা দিসেম্বর ৮দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 644**

**GM Jan-Krzysztof Duda - GM Anish Giri**
**Meltwater Tour Final 2022 Chess24 INT, 2022.11.16**

1.d4 Nf6 2.c4 e6 3.Nf3 d5 4.Nc3 Bb4 5.cxd5 exd5
6.Bg5 Nbd7 7.Rc1 h6 8.Bh4 g5 9.Bg3 Ne4 10.Qb3 Bxc3+
11.bxc3 Nb6 12.e3 h5 13.c4 h4 14.Be5 f6 15.cxd5 fxe5
16.Bb5+ Kf8 17.Nxe5 Kg7 18.Bd3 Nd6 19.O-O g4 20.f4 Rf8
21.e4 g3 22.f5 Qg5 23.Rxc7+ Kg8 24.Bb1 Qd2 25.Qf3 Bxf5
26.exf5 Qxd4+ 27.Kh1 Rac8 28.Rg7+ Kxg7 29.f6+ Kh6 30. ...

**QUESTION :**

**White to win**

**Puzzle 643 Ans. :**

29. Nxf7+ Kg8 30. Nh6+ *The white knight clears the way for White's rook to the square f8.* Kh8 31. Rf8+ *The white rook clears the way for White's bishop to the pawn. The white rook clears the way for White's queen to the square d8. The white rook deflects Black's queen away from protecting the knight.*
*31. Nf7+ Kg8*
31. ...Qxf8 32. Bxg7+ *The white bishop deflects Black's queen away from protecting the square d8. Opening the line from d8 to h8.* Qxg7 33. Qd8+ Re8 34. Qxe8+ *The white queen forks Black's knight and king. The white queen captures Black's rook, which was defending Black's knight.* Qf8 35. Qxf8# *Back-rank mate*
*35. Qxe3*
1-0



HL-P/4575/1-30/11

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com